# লৈরুম ফিবু লেংয়ান ওইবা য়াবরা?

- শারুংবম বীরেন -

কনানা লৈরুম ফিগী মগুন হস্থহল্লি?
করিগীদমক লৈরুম ফিবু মৈতৈশিংনা শীজিন্নে?
লৈরুম ফি কনাগা মরী লৈনৈ?
লৈরুম ফিবু ঙক্তা য়ান্নবা লেংয়ান ওন্থোকপা য়াব্রা?

মৈতৈ মচা অমা ওইনা লমদমসিদা পোক্লল্লে। চাওজরকই খুন্নাই অসিগী চৎন-লোনচৎ কয়াগী ফিবালনুংদা, নুংশিবা ফজবা, পাম্মুবা মখল কয়া থেংনরকই, লমদমসিদা পোক্লুবনা। ইজাতি অসিগী ইরল কয়াবুসু চেৎনা থমজনীংই। লেন্নজনীংই য়াম্না তাঙনা অখন্নবা থৌরম কয়াদা মমিং থোক্লা চাউথোকচনীংই। ঐখোয়গী পুক্কে লনগৈ কয়া অসিগী মরমদা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং অদুনা থল্লম্বা কলাগী পোৎশক কয়াগী মশেক মঙালগী মরুমদা ঐখোয়না হিংজরিবনি। ঐখোয়না কায় কায়দুনা চারিবনি। অনৌবা অমত্তা ঐখোয়না হাপচিদুনা মশীং হেঙ্গৎহনবা ঙমদ্রি মাংথোকপীবা নত্তনা।

ঙসিদগী চহী কুনমঙাগী মমাঙ ওইগনি দেব-কর্ম্ম, উৎসব-মেলা চখোকপদা ফৈজোম খরা কৌতক্লা শেৎনৈ, পুময়াৎ অমা লিৎলি, অঙৌবা ইন্নফি অমা ওলাংথাগী মতমদা য়ান্নে অদুগা নিংথমথাগী মতমদনা ঙৌরুনবা মচুগী ঙবোং অমা লেংবান্দা য়ান্দুনা চৎনরমই। হৌজিক্লা ঙবোংগী মহুত্তা মমল খরা য়াম্বা সাল অমনা মহুৎ শীন্নরক্লি। মসি মতমগী অওনবনি। লমদম অসিদা ঐখোয় মৈতৈ নুপাশিংনা খুদৈ অরাংববু শেৎনবদগী হেন্দোক্কুনা খ্বাংয়েৎ, কোকশেৎ, লেংয়ান অমদি ঙকয়েৎ ওইনা নীংশিংবা থোক্কবা মতম কয়াগী মমাঙদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। খুদৈ অরাংবা হায়বা ফি মখল অসি টেক্সচরদা খরা খেৎনরবসু খা নোংপোক এসিয়াদা লৈরিবা মোঙ্গোলোইদ কাঙলুপশিংনা চৎনবী অমা ওইনা শীজিন্নবগী খুদম লৈ। খুদম মচা অমত্তং মীয়ামদা থমজগে, য়েংবীয়ু খৃ: ১৯৮৫দা ওস্কার এৱার্দ ৭ ফংখিবা 'কিলিং ফিল্ড' হায়বা বৃটিশ ফিল্ম অদুদা কম্বোদিয়াগী খমের রুজ লান্মী কাঙবু অদুনা মৈতৈগী খুদৈ অরাংবগা টেক্সচরগা মান্নবা ফি অমা ঙকয়েৎ, খ্বাংয়েৎ, কোকখুম, কোকশেৎ ওইনা শীজিন্নবা উবীগনি। খরা খেন্নরবসু মৈতৈগুম্না খূৎশেৎ মান্নদ্রবসু খুদৈ অরাংবা শেৎপা অসামগী বোরো, কছাড়ী, রাজবন্সিগুম্বা কাঙলূপ খরসু লৈরি।

হৌজিকসু চাওখৎলকপগী মতুংইন্না, মী লৈতবগী পোৎলোইবা মতমদা ফৈজোম, ইন্নফি শেৎনবা য়াওরগসু মঙগুম্বগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা খুদৈ অরাংবা অমা শেৎলগা অমনা খ্বাংয়েৎ, কোকশেৎ, কোকখুম, লেংয়ান, ঙকয়েৎ ওইনা লোইনমক্কী ওইনা শীজিন্নবা ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লি। ইমুংদা লৈবদা খুদৈ অরাংবা অমা শেৎলগা অমনা লেংয়ান ওইনা য়ানবগী চৎনবী অদুম লৈরি। মফম-মফমগী মতুংইন্না খেন্নবা খরা লৈবগী ৱাতনি। লাইগী ওইবা থৌরম, লৌ কুম্বা, অনকপা লৈকায় কোয়থোকপদা খুদৈ শেৎলগা অমনা লেংবান্দা য়াল্লগা চৎলকপগী চৎনবী অসি ঙসি ঙসিসু অদুম হিংলি। মৈতৈ নুপাশিংনা ফৈজোম পুময়াৎ লিৎপা অসিমদি মপানগী চৎনবীদগী চঙলকখিবনি। কনাগুম্বা মীওইশিংনা মসি মৈদিংঙু চলাম্বা (১৫৪৫-১৫৬২) মতমদগীনি হায়না হায়নবসু লৈ। তশেংবদি মৈতৈনা হিন্দু লাইনীং লৌরবা মতমদগী শেৎ চাবা হৌখিবনি হায়না হায়নবসু লৈ। তশেংবদি মৈতৈনা হিন্দু লাইনীং লৌরবা মতমদগী শেৎ চাবা হৌখিবনি হায়বসিমদি লাল্লরোই। মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা, ভাগ্যচন্দ্র (১৭৬৩-১৭৯৮) মতমদগীদি মৈতৈনা ফৈজোম পুময়াৎ শীজিন্নবা অসি বঙ্গালি অমসুং অসামীজ শিংগা য়াম্না নকশিন্নবগী মরী অমদি হৌরকখ্রে। হেন্না নকশিন্নরিবদি অহোমিয়াশিংনি, হৌজিক্কীনা অসামীজ হায়না খঙনরিবা অসিনি। বঙ্গালিশিংদি ফৈজোম পুময়াৎ শেৎ চারবসু লেংয়ান ফি য়াওদে। অসামীজশিংদি মখোয়গী ওইজবা তোপ তোপ্লা গামুচা হায়দনা গমশা অমা লেংয়ান ওইনা শীজিন্নে। অসামগী গামুচা অসিসু মখল অহুম শুই। অসামগী গমুচা অদুবু মৈতৈ নুপা খরসু অদুম অরেম্বগুম য়ান্নরকপা অদুম ময়াওনরি চৎনবী খঙদনা। মৈতৈসু ফৈজোম পুময়াৎ শেৎ চারগা খুদৈ অমনা লেংয়ান ওইবদি চান্নদবনিনা ইন্নফি নৎত্রগা সাল অমনা লেংয়ান ওইনা চৎনরক্লি। হায়রিবা ফিজেৎ অসি মালেমদা মৈতৈ নত্তনা অতোপ্পা লৈরমগদবা মান্দে ঐনা খঙদবগী ওইরম্বসু য়াই। মৈতৈ নুপাগী লেংয়ান্দি ইন্নফিনি হায়বসিমদি য়েৎনরসু য়াররোই অদুম চুমদুনা লৈরনি। মৈতৈ নুপাশিংনা লেংয়ান ইন্নফি অঙৌবসি পাক্তক্লনা য়ানবগী চৎনবী অসিমদি কুইদ্রি হায়না লৌজে। অখন্নবা মীওই খরনা য়ানবা উবদগী মতৌ তম্নরকপা শোয়দনা ওইগনি। মরমদি বৃটিশ কাউন্সিলনা খৃ: ১৯৩৫ দা নম্বা কোনুং কাং চিংবগী সাইলেন্ট দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অদুদা তিল্লিবা মীওইশিং অদুগী শরুক অয়াম্বা ইন্নফি অমত্তা য়াওদে। ইকুই কুইদনা চহী তরামুক্কী ময়া ওইবা তাই লেংয়ান ফিদা অনৌবনি হায়দুনা মৈতৈগী লৈরুম ফিবু লেংয়ান ওইনা শাদুনা মফলর ওন্থোকখিবা কনাসু খঙহৌদে। মতাংসিদনি লমদমসিদা কলচর ভলচর লান্থেংনগদৌরিবা, অখঙবা, অহৈবা শাবা, কলচরগী ভেল্যু খঙদবা ময়াম অমনা ভলচর ওইরক্লিবা।

মৈতৈ খুন্নাইদা লৈরুম ফিগী ভেল্যু কয়াম চাওই নঙ খঙলব্রা? মাগী চৎনবী কাঙলোন কয়া ঙসি ফাওবা মৈতৈশিংনা য়োক্কুনা থল্লি। নঙবু লুহোংলকপ্রা, লুহোংলক্রুদি লৈরুমগী শীজিন্নফম খঙলোই। অহল লমনশিংদা অমুক্তং হংবীহৌ খরা কান্নগনি, তুংলমচৎকীদমক। লমদম অসিগী নাৎকী মমল য়াল্লবা, য়াওদবা য়াদবা লৈরুম ফি অসি তাঙ্খুল লোন্দা 'হাওরা-কচোন' হায়না খঙনৈ। লঙ মচু অঙৌবা অমদি অঙাংবনা লাংদুনা শাবা ফি অসি হুঙপুং লোন্দনা 'মনোরে' হায়নসু খঙনৈ। মসিবু মৈতৈশিংনা 'লৈরুম ফি' হায়না খঙনরিবা অসিনি। তাঙ্খুলশিংনা হৌজিক মসিবু 'লৈরুম-কচোন' হায়না কৌই। কবোং খুলগী তাঙ্খুল অহলশিংগী মোত মতুংইন্না চাউনা থুপ্পা য়াবা ফি মখল অসি লৈরুম ফি হায়না খঙনৈ। ফি মখল অসি 'লৈরুম-অকুক' (হাওরা) হায়নসু অদুম কৌনৈ। লৈরুম হায়বা লোন অসি মৈতৈ অমসুং তাঙ্খুল অনীমক্না লোয়না শীজিন্নে। মীতৈ নিংথৌনা ফম্বাল তোংবা মতমদা লৈরুম ফি অসি শীজিন্নরম্মী। মেরা হাও চোংবদসু য়াওদবা য়াদবা অমা ওইনা শীজিন্নে। লৈরুম ফি অসি মখল অহুমনি। 'লৈরুম-অকুক', লৈরুম অমি অমদি 'লৈরুম-পিওক' হায়বা অসিনি। 'লৈরুম অকুক' অসিনা পিছ ৭ নৎত্রগা ৯না তাইরগা শাবা অচৌবা ফিনি। অঙৌবা মচুগী ফিমাইদা অঙাংবনা চাউনা লাংগনি। 'লৈরুম-পিওক' হায়বা অসিনা ফি অতৈদগী খরা পিকথৈ। মৈতৈনা লুহোংবদা শীজিন্নরিবা লৈরুম ফি মখল অসিনা 'লৈরুম অমি' হায়বসিনি। মীতৈ নিংথৌগী মচানুপী লুহোংবদা চীংদা লৈরিবা ময়াম্বনা লুহোংবা য়াওবা লাকপদা 'লৈরুম-অমি' অসি খুদোল ওইনা পীনৈ। অদুগা তাঙ্খুলশিংগী লুহোংবা মতমদনা 'লৈরুম-পিওক' অসি শীজিন্নে। মৈতৈ নিংঙোল অমনা লুহোংবা মতমদা ফমুং ফানুংদা থানবা ফি রোলশিং অদু লৈরুম্না য়োল্লগা পুনৈ। অদুগা লৈরুম ফি অসিনা মোম্পাক ফিদক ওইনা ফমজাওদা কুপ্পগা থাবসু চৎনৈ। করিগীনো? ৱাহন্থোক লৈ। অদুনা লৈরুম ফি অসি লেংয়ান ওইবা য়াদে। দিজাইনর অমগী কন্সত্রক্টিভ আইদিওলোজি য়াওদবা, লৈকায়দা লৈবা কলচর ভেল্যু খঙদবা, কলচরেল আইদেন্টিটি খঙদনা পংতৌ তৌবা পংশেম শেন্বা য়াবরা। মীৎয়েং শানবা তঙাই ফদে। ইশাগী মশক মুন্না খঙগদবনি। জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন, (রেজিষ্ট্রেসন এন্দ প্রোটেক্সন) এক্ট ১৯৯৯গী মখাদা দি আই টেগ লৌগদবনি। পূম্নমক ঐখোয়না শোয়হনবনি। ঐখোয়সে মপাল য়াম থোক্ত্রি, য়াম খঙদ্রি, য়াম ৱাৎলি। উত্তর প্রদেশতা লৈবা মীল অদুদা শাউবা, তাইনবা চুপ্লোই। কনানা হৌদোকখিবগে লৈরুম্বু লেংয়ান ওইনা শাদুনা য়োল্লকপা। করিগী মতমদুদা থিংহৌদ্রি, য়েংদুনা লৈরুরগা হৌজিক্তা ৱাখল লাকপা, কবুই ফুরুপকী লেংয়ান মচা অমা মৈতৈ ইচিন ইনাওশিংনা ফঙ্কসন্দা লেংয়ান ওইনা পীনরুবগী ৱাথোক ওইরক্কুনা তোক্লখিবদো কাউবীরবরো ইচিন ইনাওশা। পংকুই কুইদ্রি চহী ৪/৫দা ঙাইরি। কুমজা ১৮২৬তগী ১৮৩৪ ফাওবা ইন্দিয়াগী ভাইসরোয় ওইরম্বা লোর্দ অর্বিন্না হায়রম্বা -

"এ লিটল পেরেদাইজ ওন আর্থ"
"স্বিটজরলেন্দ ওফ ইন্দিয়া"
"দি ইষ্টর্ন কাশ্মীর ওফ ইন্দিয়া"
"এ ফ্লাৱর ওন লোফটি হাইট"

হায়রে হায়দুনা খোঙ্গ্রাই নীক্লিরো? মিসর্স গ্রিমৱুদনা "এ প্রীটি প্লেস মোর বিয়ুটিফুল দেন মেনি ওফ দ শো প্লেসেস ওফ দ ৱর্ল্ড" হায়রমই হায়দনা চৌক্রি কোনবনা কান্নরোই। ইন্দিয়াগী অহানবা প্রধান মন্ত্রি পণ্ডিট নেহরুনা "জ্বেল ওফ ইন্দিয়া" হায়রম্মী। মচানুপী ইন্দিরা গান্ধীনা 'মণিপুর ভারতকা মনি হে" হায়রমই হায়না নোক্কুনা লৈথোক্কনু, লৈবাক নুংশিবশা হরাওরিঙৈ মীৎকুপ্তা কৈবু কৈওইবগী উতোং অহোবদা ঈশিং শোকপা তানিকো, মপি মপা ওইবশা। লৈরুম ফিবু লেংয়ান ওইনা শাবা থিংগদবনি। ঐখোয়গী কলচর ঐখোয়না কনগদবনি। ঐখোয়গী আইদেন্টিটি ঐখোয়না ঙাকচগদবনি। থৌশাদবগী চৎনবী অমা ঐখোয়দা য়াওরিবসে লংশেকখিদ্রিমখৈ মঙলাক্লবদি শোয়রোই। মসি পূম্নমক ইশাগী নাৎ অমসুং কলচর খঙবা মথৌ য়াম্না তাই। লুরিবদি লমদম অসিদা কলা পামজরিবা মীওইশিং অসিনা তৌজরিবা খরা অসে অৱাবগী মশক ঙাক্তনি।

উবগী পাঙ্গল ৱাৎলবা ময়ামগী মমাঙদা জগোয় শারি, লীলা তৌরি। তাবগী পাঙ্গল ৱাৎলবা ময়ামগী মমাঙদা ঈশৈ নুংশিনা শক্লি। অদুনি ঐখোয়না ৱাজরিবা। মশক খঙনীংবা মীওই য়াওদবগীনি ঙসিগী ৱাথোক ময়ামসে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অমসু অমসু চপ মান্নে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মালেমসিদা ঐখোয় মীওইবনা হেক পোক্লকপদগী হৌনা লানফমগী লানফম ঙাক্তনি হায়নৈ, পুন্সিনা অরোইবা মতম ফাওবদি লান শোক্লদুনা হিংনবা হোৎনরি। অচুম অরান, অফবা-ফত্তবা কয়াগী লম্পাক্তা লান্থেংনদুনা পুন্সিগী শিন্থা ওইয়ু হায়না মপু মানা থৌদারকপনি হায়বদা লাল্লোই খল্লি। অদুনা মখল মখা কয়াগী লাঞ্জংদা মীওইবনা থৱায়বু শান্নপোৎ ওইনা খনবা কয়াসু য়াওনরি, মীনুংশিনা লাইতং, য়েক্লবনা শংবাই, মথেল কয়াগী পুন্সি শিন্থানি পাঙনরিবা। অদুবু লানফম অমা হায়বসে মা-মাগী মরৈবাক কন্নবা থেংনবা লান্না অমা, ইরমদমগী ৱাথোক লান্থোক্কী লানদি য়ানবা পুরক্লগা লোইশিনখিবা য়াই। অদুবু পুন্সিগী হিংনবা লানদি পোলোই ফাওবা লেপ্তুনা থেংনৌ হায়না মপুনা পীরকপা শিন্থানি। অদুনা মী ওইনা পোক্লুবনা অফ-ফত্ত হীরম কয়াদা হিংনবগী শুনরি-নোম্নরি। মসিদা অৱাবা চৈথেং কয়া নংলিবসি লুকমাই পানবী এঞ্জাং-নাপি য়োল্লিবী কৈথেল ফম্বী নুপীনি হায়বদা লাল্লোই খঞ্জে।

মখোয়না পোৎ য়োনবা লাক্ত্রে মীয়ামসু ৱাই, য়োনবা লাক্লে য়োনফম ফম্ফম লৈতবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। অদুনা হায়নবা লৈ শেন্দ্রাং ঙন্না তাবনা চেঙ মচং চাই, তান চাদ্রগনা নাওরি চাই। অহলশিংগী পাউরৌনি। অয়ূক ঙন্না নোংঙান্দ্রিঙৈ শেন্দ্রাংগুম শেনে দাং খরগীদমক পোৎ য়োলহৌনবা ওটো রিজার্ভ তৌদুনা মচা-মশু, ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়র মেন্নবা হিংনবগী লান গোক্লরি। অদুবু মতমগী মতুংইন্না অৱাবা কয়া থেংনদবদি নত্তে।

লিচৈগী চৈনা, ৱাহৈগী তাথীবা মীচৈগী নাওরি মৱদনা মখোয়গী থম্মোয়দা তত্তনা পানবসু য়াওরিবনি। ইকায়-ইকি তুংওইনা পুক্কীদমক অৱা-অনা খাঙদুনা নোম্লি। অদুগা নাকল অমদনা মীংচৎ থীরবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়ু য়োল্লিবা কয়াগীসু হিংলিঙৈ অৱাৎপা লৈতনবা হোৎনজবা, শিবা চঙবা খঙদনা চঙলিবা লাঞ্জংনা মখল অমনি। য়ুতবু য়োঞ্জরগা মচা-মশু শেম্বা কয়াসু য়াওনরি। অদুগা অমরোমদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবা হায়বসিদা ইমুং অমা, লৈকায় অমা, লৈবাক অমা ফজহনগে হায়রগদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরিবা মীওইগীসু চাউরবা থৌদাং লৈব্রা খল্লি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চারি-থক্লিবা মীওইদুনা য়োনফমদা চঙবীদ্রবা, চাবী-থকপীদ্রবা, অয়োনবসু য়োল্লিবশিংদু শিৎতবদগী য়োনবা তোকখিবসু য়াই খঞ্জে।

অদুগা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চারি-থক্লিবা অচৌ অশাং ওইরো অমবু ওইরো ইশানা লোন্না নুমিদাং থক-চারগা অয়ূক-নুংথিলদনা মীমাঙদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবগী, খোঙজং চঙশিল্লিবা ফারিবা, অমরোমদা ফারিবা মখোয়না নুমিদাং-নুমিদাং থকপদি য়ারগা খুন্নলক্লগদি করি খুম্বা? অদুগা নাকল অমদনা অনাবা লায়েংলিবা ডোক্তরনা অনাবা য়েংবদা চুরুট, বিড়ি, য়ু, ক্বা শীজিন্নগনু হায়না পাউতাক কয়া পীরি অদুবু ডোক্তরসু য়ু থক্তব্রা হায়বদি মখোয়গী মরক্তসু থকপা য়াওদবা নত্তে। কা হেন্না থক্তবগী ৱাতনি, অদুগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক লৈবা য়োনবা ফারিবা মৈরা পায়বী, পুলিস, ক্লব নাকল অমরোমদদি মীওইবগী পুন্সিবু কন্নবা চাউরবা থৌদাং লৌবীবনি খনবদা থাগৎতবা ঙমদে, থাগৎনরি মীয়াম্নসু।

অমরোমদা, য়ূমদনা মপুরোয়বনা য়ু ঙাওদুনা লৈরগা নাকল অমদনা য়ু ফাবা চৎপা কয়াসু য়াওদবদি নত্তে। ক্লব খরগী মীওইসু ৱারবনি খন্দুনা লোন্না মী উহন্দনা শানৈ য়ুনৈবসু থেংনদবা নত্তে। অদুগা লমদমসিদা য়ু ফানা-ফানা করিগুম্বা মী অমা লৈতবা য়াওবগী পোৎলোইবগী থৌরম পাঙথোকপদা য়ুনা গঙ্গাজল চাইদ্রবদি পোৎলোইবীনবা মী লৈনরক্তবদগী লায়রবা ইমুং অমদদি পোৎলোইবগী থৌরম পাঙথোকপা ঙমদবগী অৱাবা লাক্কদ্রা মীপাইনরে। অদুগা মীংচৎ লৈবা য়াওনা ফোরেন লিক্কর শীজিন্নদুনা পার্টি তৌবা, চাকচা হৈজানবা, মপাম চাক্কৌবা, শোরাৎ, ফিরোইনচিংবা থৌরম কয়াদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়াওদবা লৈনদ্রে। মসিদদি কনানসু করিসু হায়নদ্রে। অদুগা তেক্লি-তেক্লি য়োনববুদি ফাবীরি। মসিসু অঙকপা লাল্লোং অমনি খল্লি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদবা লমদি লৈরল্লোই, লম-লম খুদিংদা অয়ূক্তগীনা নুমিদাং ফাওবা অকিবা লৈতনা লেপ্তুনা শীজিন্নবা ঙাক্লি। অদুবু ফাবসু লেপ্তে, য়োনবসু তোক্তে, পুশিল্লকপসু কোঙ্গাইনি। হোয় অমবু ওইরো অমবু ওইরো পূম্নমক হিংলিঙৈ শিবা চঙবা খঙনদনা চঙশিনবা লাঞ্জংনি খন্দোক্লসি। অদুনা অসুম খল্লুরগদি অমসু অমসু চপ মান্নে হায়বা য়ারে। অমনসু হেন্দে অমনসু ৱাতে। তৌবতবু ঐখোয় ইশা ইশানা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোক্কুনা চেকশিন্না চৎলগদি হকচাং ফনা, অনা অয়েক, ক্রাইম কয়াদগী কনবা ঙমগনি খল্লি। অদুনা মাং-তুংগী য়েংদুনা লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবা তাহন্দনা অমগীসু ফনবা ইশাগীসু হিংনবা, ফত্তে হায়না ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিংবু য়েক্লবা ওইনা খন্দুনা ঐখোয় পূন্না অফবা মায়কৈদা হিংনবগী লান্থেং চঙশিনমিন্নরবদি ঈং-তপ্পা পানবা ইরমদম অমা ওইগনি হায়জনীংই।

*অদোমগী :- তবানু খুৱাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

## হায়শিন্নবা তোকপীরো

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লৈজনীংই ঐখোয় ফজরবা ইরমদমদা হিংজনীংই মী অমা ওইনা নুংঙাই য়াইফবশিংগী মরক্তা। য়েংশিনখ্রে, য়াখ্রে হায়বা ৱাফমশিং তাবদা য়াম্না নুংঙাই, হরাওজৈ। হীরম খুদিংগী ওইনা য়েংশিনবদি লৈত্রে। য়েংশিনবা লোইখ্রবা মতুংদা মখা তাবা শেমগৎ-শাগৎপগী পাউদি ফংদবনরা থেংনদে। লৈঙাক পায়রিবশিং মীচম মীয়ামগী কয়াম্না খন্দুনা থবক পায়খৎলিবনো হায়বদি খঙদে। মীয়ামগীদমক্তা ওইবা থবক তৌনীংবগী ইথিল অদু চিনফেন্দদি য়াম্না ফজখ্রে অদুগা থবক্তদি কয়াম খুমাঙ চাওশিল্লিবা হায়বদু খঙবা ঙমদে। ফিজেৎ লৈতেং, ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা শেম শাবগী থবক্তি য়াওদে। ৱাখল লৈবনা শারিবা, ৱাখলদি ইরৈ লৈতনা। ৱাখল লৈবা ঙাক্তনা য়াদে থবক্তি য়াওদনা। পায়খৎকনি তৌরম্বা থবক কয়ামরুম অরেম্বদা তাদুনা লৈবদি কোঙ্গাইনি । হায়রিবশিং অদু মতম চানা পায়খৎপীরল্লবদি অমোৎপা ফি শুদোক্লগা পুংলং লংবদৌনা লৈবগা পাঞ্জক ওইগনি।

হে নীংতম্বা, খোঙথাং খুদিং লমফাংনৈ, পম্থুংফমগী মফমসু অরেপ্পা লৈতে। চঙশিন্দবসু য়াদে মাঙলোমদা। কনানা লাল্লি, কনানা চুম্মী হায়গনি। উরে ইশামক্তদা তারিবা, উরিবা থৌদোক-ৱাথোক কয়ানা থল্লবা মা-মাগী অপাম্বা লম্বীদা চৎখিবদা থিংবা ঙমদ্রবা মতমনি। করম্না লেপকনি মচু অমুবনা অঙৌবা ওল্লবা, অঙাংবনা অশংবা ওইরবা, মচু ওল্লবা ইরমদম, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা চয়োম শারবা অসিদবু করম্না লেপকনি অশেংবা মশক্তো লুখ্রেদা মতমগী ঈচেল-ঈরৈ অকনবা নহাকসে। মশক মমিং লৈরমদবা কয়া খঙহৌদনা শেল পায়রকপা, অমুবদগী অঙৌবা ওন্দুনা লৈঙাকলোই ওইরকপা ঙকফম থোক্তে, মতমগী ঈচেলনা পুরকপনি।

শেল নিংথিনা শীজিন্নগে হায়রবদি ইশাগী শেল তানবা ঙম্বগী শক্তি, ঐগী হৌজিক্কী হোরেনগী অমদি তুংগী তঙাইফদবা দরকার ওইরিবা পোৎশকশিং অমদি ইশাগী ৱাখল লৌশিং য়াম্না মরু ওইবা মচাক ঙাক্তনি।

লৈঙাক্কী ৱাফম অমা চিংশিল্লুবদা মতমসিগী পোলিটিক্স নীংশিংদবা ঙমদে। পোলিটিক্সকী শক্তি পায়বা তান্নবসি হৌজিক মতমগী লাইনীং লাইশোন ওইরক্লে। লুরিবদি পোলিটিক্সকী শক্তি হেক পায়রগা শক্তিদুবু য়াম্না লায়না মশানা হেক্তা লাকচবগী মওং উবা অসিমক্তি হেনজিনবা মীৎয়েংনি। অর্থনিতিগা রাজনিতিগা অসুক্কী মতিক নকশিন্নবা মরী অমা লৈখ্রে মদুদি অনী অসি খূবাক খূনমনি। চাওখৎ খোঙথাংদা চিংশিনগদবা খুন্নাই অসিগীদমক রাজনিতি অমদি অর্থনিতিগী মতিক চপ চানা মান্নবা মীৎয়েং থম্বা তাই। নাম্মতা য়েংবগী ৱাখলদা চৎখ্রবদি কৈদৌনুংদা ঐখোয়না পামজরিবা চাওখৎপা খুন্নাই অমা হায়বদু খক পুরকপা ঙমলোই।

ঐখোয় মীচম অমা ওইরবসু ইশা-ইশাগী ৱাফমসু মদু মঙায়। মশা ইৎপা ঙমজদবা চাক্লিবা অমনা কৈদৌনুংদা লৈবাক্কী লুচিংবা ওইবা খক ঙল্লোই। লুচিংবা ওইবদি লায়রদুনা চাক্লি ফিনিবা মীশক অমা ওইরগা মশানা মশাগী মপু ফাওবা ওইথোক্লোই। শীজিন্নবা হৈতবা মীদা ফর-ফরবা খূৎশু-খূৎলায় কয়ামরুম পীরুদুনসু করিসু কান্নদবগুম, থোইনা খুদোংথিনীংঙাই ওইহনবগুম শেলবু-শক্তিবু শীজিন্নবা হৈত্রবদি য়াম্না লৈজরবসু চাওখৎ খোঙথাংদি শরুক য়াবা ঙল্লোই। ইশাদা শক্তি ময়াম অমা লৈরে লোয়ননা শেলসু ময়াম অমা লৈরবসু চৎন-কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদ্রবদি, শক্তিসু লোইখিনি, শেলসু মাঙখিনি।

শক্তিবু মরম চাদনা লান্না শীজিন্নবা অদুগা ইশাগী অশোয়বা কয়া কুপশিল্লগা থম্বা লোয়ননা চাগা য়েংদনা শেলবু চাদিং তৌবা কোঙ্গায়সু লৈতবা নত্তে। হৌজিক্কী ওইবা তুংগী ওইবা য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা চাং তমদুনা পীরিবা শক্তি অমসুং শেল মীওইবগী ধর্ম্ম অমসুং লিচৎ-শাজৎ শেমগৎ-শাগৎপদা হেন্না চাওখৎপা পুরক্লবা শীজিন্নরবদি হৈথোই শিংথোইবা হায়বদু ওইরিবনি। শেলগী য়েংদুনা নুংশিবা ফজবা অমসুং অচুম্ববু মাঙহনবদি তশেংনা অরানবা ওইগনি।

ঙসি শেল থুম অমসুং শক্তিগী মায়কৈদা মায় পাক্লিবা মীওইশিং অসি মাঙ-তুং য়েংনা, অচুম-অরান থিদোক্তুনা তৌবা ঙম্বা কাঙবুদুনি। ঐখোয়গী ইরমদম চাওখৎপগী তঙাইফদবা অমদি ওইরি। মরম অসিনা ইরমদম অসি লুচিংবশিং অমসুং অচৌ অশাংশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌবিরবদি ঙসিগী খুন্নাইদা ফৎত্রবা চৎনবী কয়ামরুম অসি মাঙহনবদা মতেং শোয়দনা ওইগদ্রা খঞ্জে। ইরমদম অসিগী লমজিং লমতাক ওইবিরিবশিংনা থম্মোয় শেংনা অনৌবা য়াওল অমা লাক্লবা খ্বাইদগী চাউবা থৌদাং লৌবীরো হায়না থমজরি।

পাউজেল অমনা লৈঙাক্কী চেকশিন থৌরাং মখাদা পীরিবা ইশাবু কঞ্জনবা ফেস মাস্ক উপ্পুনা চৎপীবা, মী অমগা অমগগী মরক্তা লাপ্পবা ফুট তরুক থম্বা, খূৎ-শা, মায়-মীৎ শাপোন্না শেংনা চামথোকপা নৎত্রগা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি চঙদনবা চেকশিনমিন্নরসি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

GOVERNMENT OF MANIPUR
EMPLOYMENT EXCHANGE, IMPHAL WEST,
EMPLOYMENT EXCHANGE COMPLEX, LAMPHELPAT.

N 0 T I C E

Imphal, the 11th January, 2021

No. EE/2/57/82: It is hereby notified to all Job-seekers that the following posts are lying vacant in the Directorate of Vety & A.H. Services, Manipur. Willing eligible candidates who have registered with this Employment Exchange may contact Vacancy Asstt at Room. No 15 (A) during office hour for sponsoring their names. The detail particulars are given below

| Sl No. | Name of Department | Name of post | Number of posts. | Qualification. | Date of submission/ Sponsored. |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Directorate of Vety. & A.H. Services, Manipur. | Vet. Attendants | 100(one hundred) 50-UR,31-ST, 2-SC, 10-OBC(M), 4-OBC(MP),3-PH, | Matriculate / HSLC or equivalent from a recognized University/Board. Matriculate | 12-1-2021 to 14-2021 |
| 2 | -do- | Vety. Field Assistant | 60(Sixty), 31-UR,1-SC, 18-ST,6-OBC(M),2-OBC(MP), 2-PH. | Matriculate/HSLC or equivalent from a recognized University/Board Plus(one) year V.F.A, Training Course passed from a recognized Institution by the Department. | -do- |
| 3 | -do- | Primary Investigator | 2(two)- UR | 10+2 /P.U.C. or equivalent from a recognized University/Board. | 15-1-2021 |

Age:-18 years to 38 years as on 01-01-2021, 5 years Relaxation for ST/SC candidates and 3 Year for OBC Candidates.

N. SADANANDA SINGH
Asstt Employment Officer, Imphal west.

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।